# নোভাক জোকোভিচনা ইষ্টবোর্ন ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, কার্বর, হালেপ লৈহৌরে





ইষ্টবোর্ন, জুন ৩০ :

নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চত্থরিবা ইষ্টবোর্ন ওপনগী শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দোনাল্ড য়ঙবু লাকচনা তৌখিদুনা ৬-২, ৭-৬ (১১-৯) দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা নুপীগী দ্রোদা টোপ সিদ এঞ্জেলিগ কার্বর অমদি অনীশুবা সিদ সিমোনা হালেপনা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

জর্মন অসিনা করিগুম্বা ৱিমব্লেদন্দা মায় পাকপা ঙম্লবদি মহাক্কী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অদু অমুক হন্না ফংবা ঙমগদৌরিবনি। নোংচুবনা ওপন অদুদা অপনবা পীখ্রবসু জর্মনগী ষ্টার কার্বরনা লারা অরুবারেনাবু ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। কার্বরনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হোম টাউন ফেবোরাইট জোহনা কোন্টাগী মখুৎতা ৩-৬, ৪-৬ তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মেচ অদুদা কার্বরনা দবল ফাউল্ট ৭ তৌখি। অদুগা কোন্টানা এস ৬ কনখি। কোন্টানা মেচ অদু মায় পাকখ্রবা মতুং মশাগী মখোঙদা শোকখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নবা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্র হায়বগী চিংনবা লৈরি।

কোন্টানা হায়খি, মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। নোংচুবনা মেচ অদুদা অপনবা পীখ্রবসু নুংশা ফজনা থোকখিবনা ঐখোয়না নীংথিনা শান্নখি। কোন্টানা মতাং চানা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মায় পাকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। কোন্টানা ওপন অসিগী অঙনবা শরুক্তা শান্নখিবা মেচতা ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোবু ৭-৫, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা সিমোনা হালেপনা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াকী মখুৎতা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫-৭, ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীহৌখি।

হালেপনা হায়খি, মসি টফ ওইবা মেচ ওইখি। ঐনা অহানবদা মাঙজিন থারমখি। অদুবু অরোইবা সেট অনীদা মায়থীহৌখি। ঐনা মেচ অদু নীংথিনা শান্নখি হায়না খল্লি। অদুবু অহুমশুবা সেটতদি ঐঙোন্দা চোকথবা ফাওখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অহুমশুবা সিদ কারোলিনা প্লিস্কোভানা সভেটলানা কুজনেটসোভাবু ৬-৭ (৭-৯), ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ব্রিটেনগী হিথর ৱাটসননা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-১, ১-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। সেমি ফাইনেলদা হিথর ৱাটসননা ৱোজনিয়াকীগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

চহী ৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা ৱিমব্লেদন পাঙথোক্কদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈ ইষ্টবোর্ন ওপন্দা শরুক য়ারিবা টোপ সিদ জোকোভিচনা ট্রাইব্রেক্টা লাক্ত্রিঙৈ অনীশুবা সেটতা সেট পোইন্টশিং সেভ তৌখি।

জোকোভিচনা হায়খি, অহানবা সেট অদু ঐনা ঙমখি অমদি ঐনা নীংথিনসু শান্নখি। ঐনা কোর্টতা হরাও তরাম্না শান্নবা ফংখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। জোকোভিচনা মথংগী মেচতা মশাগী চহী ২০ শুরবা রসিয়ন দানিল মেদভেদেভকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। দানিল মেদভেদদেভ অমেরিয়কাগী মরিশুবা সিদ ষ্টেফ জোন্সনবু ৬-৩, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচতা ফ্রেঞ্চকী ৭শুবা সিদ রিচার্দ গাসগেট অমদি ফ্রেঞ্চকী অনীশুবা সিদেদ গেল মোনফিলসকা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। তরেৎশুবা সিদ রিচার্দ গাসগেটনা অমেরিকায়গী অহুমশুবা সিদ জোন ইস্নরবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অদুগা মোনফিলসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বরনার্দ টোমিকপু ৭-৬ (৭-৪), ৬-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

# রাহুল দ্রাভিদনা মখা তানা চহী অনী অমগা ইন্দিয়া এ অমসুং অন্দর-১৯গী কোচ ওইরগনি



মুম্বাই, জুন ৩০ :

হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রাহুল দ্রাভিদনা মখা তানা চহী অনী অমগা ইন্দিয়া এ অমদি অন্দর-১৯ টিমগী কোচ ওইনা থৌ পুরগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

রাহুল দ্রাভিদনা ফম অনীগী দাইত্ব অসি কুমজা ২০১৫ দগী লৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী লিচিং মখাদা অন্দর-১৯ টিমনা কুমজা ২০১৬ কী আই সি সি আন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি। দ্রাভিদকী মখাদা হৌগৎলক্লিবা নহা ক্রিকেটরশিং মতিং থোক্না পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা মশক থোক্লবা নহা ক্রিকেটরশিং অদুদি রিশাভ পন্ট, সঞ্জু সামসন, করুন নয়র অমদি ইসান কিষননি।

ক্রিকেটরশিং অসিগী হৈশিংবা অদুনা টোপ লেভেলদা অথুবদা য়ৌবা ঙমখি।

বি সি সি আইগী এক্টিং প্রসিদেন্ট সি কে খানানা হায়খি, হৌখিবা চহী অনী অসিদা রাহুল দ্রাভিদনা নহা ওইরিবা হৈশিংলবা প্লেয়র অসিবু মশক থোক্না শেম্লকপগা লোয়ননা মালেমগী ফম্পাক্তা কাবা ঙম্লে। মখোয়গী হৈশিংবা অদু মীয়াম্না শিংথানরে। মহাক্না (দ্রাভিদ) মখা তানা চহী অনী অমগা থৌ পুগদৌরিবা অসিদা ঐখোয়না নুংঙাইবা ফাওই। মসি ইন্দিয়ন ক্রিকেটকী অরংবা খুদম অমনি অমদি মখা তানা হৈথোই-শিংথোইরবা নহা ক্রিকেটরশিং থোক্লকখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি সি সি আইগী এক্টিং সেক্রেটরি আমিতাব চৌধুরিনা হায়, রাহুল দ্রাভিদ অসি দিসিপ্লিন লৈবা অমদি ক্রিকেটতা কখোকপা ঙম্বা মীওই অমনি হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অসিনা টেবলগী মকোক্তা পুরকপা ঙমখি। হৌখিবা চহী অনী অসিদা মহাক্না হৈথোই শিংথোইরবা নহা ক্রিকেটর কয়া মায় পাক্না শেমগৎলক্লি। মহাক্না চহী অনী অমগা টিম অনী অসিগীদমক লৌগদৌরিবা দাইত্ব অসিগীদমক ঐগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গল পীরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দ্রাভিদনা রোল অনী লৌখিবা অসিদগী হৌজিক মহাক্না ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগকী ফ্রেঞ্চাইজ অমা ওইরিবা দেল্লি দেয়রদেভিলসকীদমক মখা তানা মেন্টর ওইখিগদ্রা হায়বসিদা ৱাহং ওইরি।

হন্দক্তা ইকুই কুইদনা রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়া এ অমদি অন্দর-১৯ টিমগী কোচ ওইনা লৈবগী মথক্তা আই পি এলগী টিম অমা ওইরিবা দেল্লি দেয়রদেভিলসকী মেন্টর ওইবসি ভাইওলেট তৌবনি হায়না বি সি সি আইগী কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরগী মেম্বর রামচন্দ্রা গুহাননা মরাল শিখিবনি।

# ইন্দিয়ন জেভলিন এস নীরাজ চোপ্রাগা পেরিস দাইমন্দ লীগ এথলেটিক্স ইভেন্টতা শরুক য়াগনি



পেরিস, জুন ৩০ :

ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড জুনিয়র জেভলিন চেম্পিয়ন নীরাজ চোপ্রানা থাংজ নুমিৎতগী পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা দাইমন্দ লীগ এথলেটিক্স মীটতা শরুক য়াগনি।

মমাঙ চহীদা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা অন্দর ২০ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা মিটর ৮৬.৪৮ লংদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা অদুগী মতুং হন্দক শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মহাক্কী অহানবা গ্লোবেল কম্পিটিসনসু ওইরগনি। নেসনল রেকোর্দ হোল্ডর অসিনা মিট অসিদা জর্মনিগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন থোমাস রোহলরসু শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা চাংদমিন্নবা ফংগদবদা অপেনবা পোকচরি। থোমাস রোহলরগী সিজন বেষ্ট অসি মিটর ১৩.৯০ ওইরিবনি।

চোপ্রানা হায়খি, হৌখিবা থা অমা অনীদা চত্থখিবা ট্রেনিং অদুনা থাজবগী থাক অদু লৈহল্লে। ঐহাক পেরিসতা থুংলে অমদি থাংজ নুমিৎকী কম্পিটিসনগীদমক শেম শারে। ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা অদু উৎপা ঙম্নবা মিৎয়েং থল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দাইমন্দ লীগ কম্পিটিসন অসি লন্দনদা লাক্লিবা ওগষ্ট ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী শেম-শানবগী শরুক অমসু ওইরি। গ্লোবেল ইভেন্ট অসিগীদমক এন্ট্রি ষ্টেন্দর্দ মিটর ৮৩ লংদুনা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী মেল জেভলিন থ্রোৱর অনীগী মনুংদা চোপ্রাসু অমনি। অতোপ্পা থ্রোৱর অদুনা দাভিন্দর সিংহনি।

পেরিস মীট অসি লোইরবা মতুং চোপ্রানা জুলাই ৬ তগী ৯ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি। ৱর্ল্ড ক্লাস ওইরিবা পেরিসকী ফিল্ডদা চোপ্রানা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু পীগনি হায়বগী আশা তৌরি। মহাক্কী সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবনা মিটর ৮৫.৬৩ ওইদুনা থ্রোৱর ১০ না শরুক য়াগদবা ফিল্ড অসিদা মহাক্না মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরি।

মীট অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা থ্রোৱরশিং অদুনা জর্মনিগী থোমাস রোহলর, জর্মনিগী জোহান্নেস ভেট্টর জোহান্নেস (মিটর ৮৯.৬৯), ফিল্লেন্দগী টেরো ওইটকামাকি (মিটর ৮৮.২৭) অমদি চেক রি পব্লিক্কী জাকুব ভদলজেচ (মিটর ৮৭.৯৫) নি। মখোয়না সিজন অসিগী ইন্দিয়ন থ্রোৱরশিংদগী হেন্না ফরি।

অমরোমদা চোপ্রানা থাংজ নুমিৎকীদমক শেম শাবা পুম্নমক লোইবগা লোয়ননা মহাক্না মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

অনৌবা নেসনেল কোচ ওইনা লৈরিবা জর্মনিগী য়ুৱে হোনদি হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈতবনা নেসনেল কোচ রধাকওন নায়রগা চোপ্রাগা পুন্না পেরিসতা লৈরি। কোচ য়ুৱে হোনদি সেপ্টেম্বর থাদা নেসনেল টিমদা জোইন্ট তৌরগনি।

হান্নগী জর্মনগী জেভলিন থ্রোৱর হোনবু এথলেটিক্স ফেন্দরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না ৱাইবনি। হান্নগী ওষ্ট্রেলিয়ন কোচ গেরি কালভার্টতি মে থাদা মহাক্কী মফমদগী তোক্লগা চিনাদা চৎখ্রগনি। মহাক্না গাইদ তৌদুনা চোপ্রাগা ৱর্ল্ড জুনিয়র টাইটল লৌখিবনি।

# কিদম্বি শ্রীকান্থনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ৮ শুবা মফমদা লৈখ্রে, বি সাই প্রনীথনা মফম অমা হায়গৎলগা ১৫ শুবদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ৩০ :

ইন্দিয়ন শট্লর কিদম্বি শ্রীকান্থনা শগোলশেল নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা নিপালশুবা মফমদা লৈখিদুনা টোপ টেন রেঙ্কিং থুগাইখ্রে।

শ্রীকান্থনা মহাক্কী বেল্ট মখাদা অপূনবা পোইন্ট ৫৮,৫৮৩ ফংখি। হন্দক্তা লোইশিনবদা ঙাইখ্রিবা ইন্দোনেসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটলশিং থংন-থংননা শ্রীকান্থনা লৌখিবনি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা অসিগা অহানবা ওইনা জপানিজ কাজুমাসা সাকাইবু ফাইনেলদা ষ্ট্রেট গেমসদা মায়থীবা পীদুনা ইন্দোনেসিয়ন ওপন টাইটল লৌখি।

ইন্দোনেসিয়া টাইটল লৌখ্রবা মতুং কন্দম্বিনা মফম ১১ কাখৎলগা রেঙ্কিংগী ১১ শুবা মফমদা লৈখি অমদি অজয় জয়ারামনা ১৫ শুবা পোজিসন অমদি বি সাইপ্রনিথনা ১৬শুবা মফমদা লৈখি।

মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী মায় পাকখিবা অদুনা মতেং ওইদুনা টোপ টেন রেঙ্কিংদা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়ন অসিগী রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ গী চেম্পিয়ন চেন লোংবু ষ্ট্রেট গেমদা ২২-২০, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মেন'স সিঙ্গলস রেঙ্কিংগী টোপ টেন্দা চনবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন প্লেয়র ওইরে।

অমরোমদা পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱালনা নুপীগী সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা মথংশিংনা মঙাশুবা অমদি ১৫শুবা মফমদা লৈখি। ইন্দোনেসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী ৱিন্নর অসিনা মহাক্না টাইটল অমগী মথংদা অমা লৌবা ঙম্বদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

চেনবু ২২-২০, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং মহাক্না এজেন্সি অমদা হায়খি, ফাইনেলদা ঐনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা মায়োক্নখিবা লম্বাগী মায়োক্তা চঙশিনখি। মসিগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা নিংথিনা শান্নখিবা চেনগী মায়োক্তা ঐনা শান্নদুনা মায় পাকখিবা অসি অখন্নবা অমনি। ঐনা থাইলেন্দ শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা নোর্মেলদা লৈখি ঐঙোন্দা প্রেসর অমত্তা মায়োক্নখিবা তৌখিদে হায়না শ্রীকান্থনা ফোঙদোকখি।


অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা ঐচ এস প্রনোয়না মফম অনী কুমথরগা ২৩ শুবা মফমদা লৈখি।

অমরোমদা ইন্দোনেসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন কিদম্বি শ্রীকান্থনা থংন-থংননা চয়োল অনীদা মায় পাক্না টাইটল অনী লৌখ্রবা মতুং অন্ধ্রা প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা শ্রীকান্থদা লুপা লাখ ৫০ অমদি অমরাভটি রিজলদা স্কোয়ার য়ার্দ ১০০০ পাক চাওবা লম অমসু পীখ্রে।

হায়দ্রবাদকী শট্লর অসিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজ ফাইনেলদা চিনাগী রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ কী চেম্পিয়ন চেন লোংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি। শ্রীকান্থনা মায়থীখিবা অসিনা তরুকশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা লোংবু মায়থীবা পীবা অহানবসু ওইখি। ইন্দিয়ন অসিনা মমাঙদা লোংগা তরুক্লক শান্নখিবদা লোইনমক চাইনিজ অসিগী মখুৎতা মায়থিহৌখিবনি। মহাক্না লোংবু ২২-২০, ২১-১৬ তা মহাক্কী থংন-থংননা অহুমশুবা সুপর সেরিজ ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, শ্রীকান্থতা মমাঙ চয়োলদা গোপিচান্দ বেদমিন্টন একাদেমীনা লুপা লাখ ৩ অমদি বেদমিন্টন ওফ ইন্দিয়া (বাই) না লুপা লাখ ৫ গী শেনফম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবনি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা অসিনা সাইনা নেহৱালগী হেক মতুংদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মায় পাক্লবা বেদমিন্টন প্লেয়র ওইরে।

# এ এফ সি অন্দর-২৩ চেম্পিয়নশিপগী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা সিঙ্গাপুরগা মায়োক্নদুনা ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, জুন ৩০ :

দোহাদা চত্থগদৌরিবা এ এফ সি অন্দর-২৩ চেম্পিয়নশিপকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ ফুটবোল টিমনা সিঙ্গাপুরগী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ ফুটবোল টিম অসি হৌজিক ন্যু দেল্লিদা ট্রেনেং তৌরিবনি। টিম অসিনা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর-২৩ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা চৎত্রিঙৈ মমাঙদা সিঙ্গাপুরদা চৎতুনা মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টেফন কোনষ্টান্টিননা এক্সপোজর ট্রিপকীদমক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা অপেনবা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না হায়খি, ঐখোয়না পুন্না লৈমিন্নগদবা মতম অসি চয়োল অনীখক্তা মঙাইরে অমদি অন্দর-২৩ বোইজগী টিম অসিনা কম্পিটিটিভ গেমসশিং শান্নবা মথৌ তারি।

সিঙ্গাপুরদা চৎতুনা শান্নগদৌরিবা এক্সপোজর ট্রেপ অসি স্কাদকীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরি। মসিনা ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিংগা মায়োক্নবদা ফংগদবা এক্সপরিয়েন্সকী মহাও অদু খঙবা ঙমহল্লগনি। এ আই এফ এফনা এফ সি ক্বালিফাইয়র্সকী মাঙওইননা অসিগুম্বা মেচশিং অসি শিনবগীদমক ঐনা থাগৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র বোইজনা এসিয়ন জুনিয়র এন্দ কেদেট টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ৩০ :

ইন্দিয়ন জুনিয়র বোইজ টিমনা সাউথ কোরিয়াগী অসান্দদা চত্থরিবা ২৩শুবা এসিয়ন জুনিয়র এন্দ কেদেট টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইরানবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি মানভ থাকর, জিট চন্দ্র অমদি মানুস সহানি। মখোয়না সেমি ফাইনেল মেচতা টোপ সিদেদ চিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র গার্লস টিমনা টিম চেম্পিয়নশিপ্তা টোপ সিদ চিনাগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীমচাগী টিমদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি মৌমিতা দত্তা, অর্চনা কমাথ অমদি সেলেনা দিপথি সেলভাকুমারনি। ইন্দিয়াগী কেদেট বোইজ অমদি কেদেট গার্লসবু চিনানা ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী স্কাদশিংনা মেইন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইখি অমদি টফ ওইরবা লম্বাশিংগা মায়োক্নখি।

ইন্দিয়াগী মানভ থাকরনা মতিং থোক্না পার্ফোমেন্স পীখিদুনা অমিরেজা অবাসিবু ১৯-৯, ৫-১১, ১১-৭, ১১-৭ তা মায়থীবা পীখি। অদুবু জিট চন্দ্রনা অনীশুবা রবসতা মশক থোক্না শান্নখিদুনা অমিন অহ্মাদিয়ানগী মখুৎতা ১১-৫, ১১-১৩, ৬-১১, ৯-১১, ১০-১২ দা মায়থীহৌখি।

মনুস সহানা ইরানগী অহুমশুবা প্লেয়র অলিন মোহনামিহাঘিঘিবু ১১-৩, ১১-৯, ১২-১০ দা মায়থীবা পীখি। মানবনা মহাক্কী রিভর্স সিঙ্গলসতা অহ্মাদিয়ানবু ১১-৭, ১১-৩, ৯-১১, ১১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াবু সেমি ফাইনেলদা পুশিনখি।







/অমাঙথোং ময়াদা পীক্না মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, মপান অকোয়বদা থাগৎলগা ফম্বদা য়াম্না নাবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী অকোয়বদা সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোক্লগা ঈ তাবা, অমাঙথোং ময়াদা পীক্না মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, মপান অকোয়বদা থাগৎলগা ফম্বদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী সৌজ নাম্থদুনা খুৎনা ইনশিনবা, ফেষ্টুলা মনুংদগী হুৎলক্লগা মচুম তাবা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপদগী **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮-১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবিরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবা : **Sunita Devi**
**Nambol Maibam Chingmang.**

HL-P/1968/1



/অমাঙথোং ময়াদা উরিকমুক চাওবা অমা তংলগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা-নাবা, ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং ময়াদা উরিকমুক চাওবা অমা তংলগা লৈবা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদসু য়াম্না শাবা, ফিনুংদা হাক্কৎচবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথীবা, তাং-তাং চিকপা অমদি খোঙ হাম্বা মতমদা তংলগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা-নাবা, তংলগা লৈবা অদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙবদা ঈ তৈরকপা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

***লায়েংফম*** : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekrupat, Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday Open).

থাগৎচরিবী : **T. Thaballei**
***Kwakeithel***

HL-B/3961/22/06-23/07